# ইস্লামিক ষ্টেটনা আর্মি কেম্পতা সুইসাইদ এটেক চথখবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৪ শিখ্রে



এদেন, ওগষ্ট ২৯ ঃ
ঙসি সাউদর্ন য়েমেনগী সিটি এদেনদা লৈবা মিলিটরি ফেসিলিটি অমদা চথখিবা সুইসাইদ কার বোম্মিং অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৪ শিখ্রে অমসুং মীওই ৬০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে লোয়ননা এটেক অদু আই এস আই এসনা ক্লেইম তৌখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোক্লি।

প্রো-গভর্ণমেন্ট পোপ্যুলর রেজিষ্টেন্স মিলিসিয়ানা শিজিন্নবা ট্রেনিং কেম্প নৎত্রগা কম্পাউন্দদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা এক্সপ্লোসিভস মরাং কায়না য়াওবা কার থৌজিন্দুনা এটেক অদু চথখিবনি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মেদিকেল চেরিটি মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়র্সকী স্পোক্সপার্সন অমনা চেরিটি অসিনা রন তৌবা এদেনদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা য়ামদ্রবদা অশোকপা মীওই ৬০ পুখৎলকখি।

আই এসকী অফবা ন্যুজ এজেন্সিনা এটেক অদুদা অনৌবা রিক্রুট ৬০ রোম হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

‘ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর অমনা মশাগী থৱায় কখোক্তুনা এদেন সিটিদা লৈবা রিক্রুটমেন্ট সেক্টর অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা ওপরেসন অমদা মীওই ৬০ রোম শিখ্রে’ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাবা অকুপ্পশিং ফোঙদোক্তীদা হায়খি।

এটেক অদু মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাববু মনসৌর হাদিগী মীচং ওইবা ফোর্সশিং ওইরিবা পোপ্যুলর কম্মিটিগী রিক্রুটশিংগী স্কুল অমা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি অমসুং এটেক অদু চথখিবা মতমদুদা রিক্রুটশিং অদু ব্রেকদাষ্টকীদমক পুন্দুনা লৈখি।

ৱিটনেসশিংনা হায়খি মদুদি, সুইসাইদ বোম্মর অদু ট্রক অমগী মতুং ইন্দুনা কম্পাউন্দ অদুদা চঙলকখি। ট্রক অদু ক্যুদা লেপ্লিবা কন্সট্রিপশিংগী ব্রেকফাষ্ট পুরকখিবনি। ‘অশিবা হকচাংশিং অমসুং হকচাং মচেৎশিং মফমদু শিন-থুংনা চাইদুনা লৈখি’ মোহন্মদ ওশমান কৌবা য়ুমথংনবা অমনা মফমদুদা চেনশিনবগা লোয়ননা হায়খি। ‘মদু মী ময়াম তোরা তুনা হাৎপগী থৌওংনি’ হায়না ওশমাননা মখা তাখি।

মফমদুদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং শোল্লি হায়না সেন্টর অদুদা থবক তৌরকখিবা অহন্মদ অল-ফাতিহনা হায়খি।

‘মফমদুদা সিক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নবা অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা অল-কাইদা নৎত্রগা দৈইশনা এটেক অমা ইরাইলায়না পাঙথোক্লিংঙাই ওই’ হায়না আই এস আই এসপু পনবদা অরাবিক এক্রোনিম অমা শিজিন্নরদুনা মহাক্না মখা তাখি।

হৌখীশিং অমসুং হাদিগী সপ্পোর্টরশিংগী মরক্তা থা ১৮ চূপ্পা চথরকখিবা সিনিয়র ওফিসলশিং, রিলিজিয়স ফিগরশিং, সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং প্রসিদেন্ট হাদিবু সপ্পোর্ট তৌবা সাউদিন লুচিংবা আরব মিলিটরি কোলিসনগী কম্পাউন্দশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া পরিং নাইনা চথরকখি।

হৌখিবা থাদা সাউদর্ন য়েমেনি সিটি এদেনগী গভর্ণর মহাক্কী কনভোইদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা কার বোম এটেক অমদা হিংহৌখি। মদু সিটি অদুগী টোপ কম্মিস্নরদা চথবা খ্বাইদগী নৌবা এটেম্পনি।

## শ্রিলঙ্কাগী ক্রিকেট টিমদা চথখিবা এটেক্তা চেন্নবা এল ঈ জেগী মিলিটেন্টশিং হাৎখ্রে



লাহোর, ওগষ্ট ২৯ ঃ হৌখিবা কুমজা ২০০৯ দা পাকিষ্টান্দা লাকপা শ্রিলঙ্কাগী ক্রিকেট টিমদা চথখিবা এটেক্তা চেন্নখি হায়না মরাল শীখ্রবা লাস্কর-ঈ-ঝাংবি (এল ঈ টি) গী মিলিটেন্টে মরি পাকিষ্টানি পুলিসনা লাহোরদা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ক্রাইম ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সি আই দি) না মানাৱান, লাহোরদা লৈবা মিলিটেন্টশিংনা ওকুপাইদ তৌবা বিল্ডিং অমদা রেইদ তৌখি। টেররিষ্ট তরেৎনা সি আই দি টিম অদুদা এটেক তৌখি হায়না পঞ্জাব পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ-শিল্লকখিবা পুলিস টিম অদুনা খুৎ হনখি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী মরি মফমদুমক্তদা শিখি লোয়ননা লেমহৌরিবা মীওই অহুম অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা মফমদুদগী নাম্থোকখি’ হায়না সি আই দিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, চেম্থোকখিবা টেররিষ্টশিং অদু ফাননবা পুলিসনা এরিয়া অদুদা সার্চ ওপরেসন অমা হৌখ্রে। শিখিবা টেররিষ্টশিং অদু মশক মমিংশিং খঙবা ঙল্লে। মখোয়দুদি জুবাইর এলিয়স নাইক মুহন্মদ, অব্দুল ৱাহাব, অদনান অর্শাদ অমসুং অটিকুর রেহমননি হায়রি।

‘মখোয়শিং অসি কুমজা ২০০৯ দা শ্রিলঙ্কাগী ক্রিকেট টিমদা চথখিবা এটেক অমসুং কুমজা ২০০৮ দা লাহোরগী মূন মার্কেটতা চথখিবা এটেক্তা চেন্নে’ হায়না স্পোক্সমেন অদুনা হায়খি।

মখোয়দগী খুৎশু-খুৎলায় অমসুং এক্সপ্লোসিভশিংসু ফংখি। হৌখিবা জুন থাদা লাহোরগী এন্টি-টেররিজম কোর্টনা শ্রিলঙ্কাগী ক্রিকেট টিমদা এটেক তৌখিবগী কেস অদুগা মরী লননা এল ঈ জেগী মেম্বর তরুক হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখি।

## লোস এঞ্জেলিস এয়রপোর্টতা নোংমৈ কাপ্লমদ্রে, চুম্নগী লাংবা ওইরম্লে: পুলিস



লোস এঞ্জেলিস, ওগষ্ট ২৯ঃ
টর্মিনেল অমদা নোংমৈ কাপ্লে হায়বা পাউ অমগা মরী লৈননা নোংমাইজিংগী অথেংবদা লোস এঞ্জেলিস এয়রপোর্টকী টর্মিনেলশিংদা লৈরম্বা মীশিং ঙাইহাক থৈদোক্লখি। নোংমৈ কাপ্পগী পাউদু পুলিসনা চুম্নগী নিল-খোংবা লাংবগী মখোলনি নোংমৈগী মখোল নত্তে হায়না কনফার্ম তৌরবা মতুংদা এয়রপোর্টকী টর্মিনেলশিংদু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে তৌইগুম্বসুং অরানবা এলার্ম অদুগী মরমদা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়না লোস এঞ্জেলিস পুলিস দিপার্টমেন্টকী মিদিয়া রিলেসন্সকী কম্মান্দিং ওফিসর এন্দি নৈমননা ত্বীটরগী মেসেজ অমদা হায়খি।

লাক্স পুলিসকী ওফিসর এলিসিয়া হরনান্দেজগী মতুংইন্না, য়ামদ্রবদা টর্মিনেল অনী লনাই খোঙথাং অমা ওইনা মীশিং হোংদোক্লখি অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেলনা চিংনবা য়াবা পোৎশকশিং চেক তৌখি। খুদোংথীনিংঙাই লৈত্রে হায়না লেপ্লবা মতুংদা টর্মিনেলশিং অদু অমুকহন্না পেসেঞ্জরশিংগীদমক্তা হাংগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লাক্সতা নোংমৈ কাপ্পগী পাউদু অরানবা পাউ অমা ওইরম্লে। শুপ্পগী নিল-খোংবা লাংবগী মখোল ওইরম্লে, নোংমৈ অমত্তা কাপখিদে, অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে। পাউদুগী হৌরকফম খঙনবসু থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

এয়রপোর্ট অদুগী ভিদিও ফীদশিংনা য়ু এসকী খ্বাইদগী মথৌ চিনবা এয়রপোর্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এয়রপোর্ট অদুগী টর্মিনসকী মপান অমসুং টর্মেকতা মীওই দজন কয়া পুন্দুনা লৈবগী শক্তমশিং উৎখি।

য়ু এস ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসননা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি মদুদি, দিপার্চরগী মতমদা লাক্সতা প্লেনশিং লাকপগী মতম থেংথখি। মদুনা অতৈ সিটিশিংদগী লাক্লিবা পেসেঞ্জরশিংনা দিপার্চরগী এয়র-পোর্টশিংগী ফীভম য়েংই হায়বা তাকই।

য়ু এস এয়রপোর্টকী সিক্যুরিটি ওফিসলশিং হন্দক বেলজিয়ম অমসুং টর্কিগী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টশিংদা শাথিরবা এটেকশিং চথখিবদগী মিৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈরকখি। লাক্সকী এলার্ট অদু পুলিসনা ন্যু য়োর্ক সিটিগী জোন এফ কেন্নেদি ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টকী টর্মিনেল অমদা লৈবা মীশিংবু টেম্পরেরি ওইনা হোংদোকখিবা মতুং থা অনী লৈরগা লাক্লিবনি। ঙরাংগী থৌদোক্তুগা মান্ননা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা ন্যু য়োর্ক সিটিগী এয়রপোর্টকী থৌদোক অদুগী প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসন অমদা চিংননিংঙাই ওইবা থবক থৌওং চথখিবা থেংনখিদে।

## ইস্লামিক ষ্টেটকী ভিদিওদা বৃটিশ নুপামচা অমনা প্রীজনরশিং হাৎপা উৎখ্রে

কাইরো, ওগষ্ট ২৯ঃ নৌনা রিলিজ তৌবা আই এস আই এসকী প্রোপেগন্দা ভিদিও অমদা চহী নৌরিবা বৃটিশ নুপামচা অমনা ঙরাং অরোন-অথুপকী পাউ লৌথোক-লৌশিন তৌবা মীশিং হাৎপগী শক্তম উৎখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা রিলিজ তৌখিবা ফিল্ম অদুনা য়েংবদা চহী ৬ তগী ৭ মুক্তা ঙায়রিবা মানবা চহী নৌরিবা নুপামচা মঙানা খুউ-খুদক কুন্দুনা লৈবা মীফাশিংবু নোংমৈনা কাপ্পগী শক্তম উৎখি।

ওনলাইন ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা কেপসনশিংনা মান্নবা মওংগী মিলিটরি-ষ্টাইলগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা পিষ্টল পায়বা অঙাং মীহাৎপশিং অদুগী মনুংদগী অমবু অবু অব্দুল্লাহ অল-বৃটানি কৌবা বৃটন অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী রাকা প্রোভিন্সতা কাপখিবা ভিদিও অদুগী কেপসনশিংগী মতুং ইন্না, লোইনমক মান্নবা চহী লেঙ্গাশিং ওইবা অতৈ মীহাৎপশিং অদু ইজিপসিয়ন, কর্দিশ, টুনিজিয়ন অমসুং উজবেক মচাশিংনি।

হৌখিবা অহিংদা বৃটিশ মচা মীহাৎপা অঙাং অদুগী মশক শেংনা খঙবা ঙমখিদে। মমিংদুমক অশাদ উজমান কৌবা পোর্টসমাউথতগী অতোপ্পা বৃটিশ জিহাদিষ্ট অমনসু শিজিন্নখি। মহাক কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা সিরিয়াদা হাৎখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা রিছার্স অমগী মতুংইন্না, মখোয়গী মমা-মপাশিংনা লমদম অদুদা পুরকখিবা মতুংদা বৃটিশ অঙাং ৫০ রোম সেল্ফ-ষ্টাইল্ড কলিফেট ওইরিবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দ লেভন্ট (আই এস আই এল) দা য়োকখি হায়না পানখি। আই এস আই এলগী অকনবা করিক্যুলমগা লোয়ননা নুপামচাশিংবু আই এসকী চৎনা-পথাপশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং তম্বীখি।

য়ামদ্রবদা মীহাৎপা অঙাং ১২ আই এস আই এলগী প্রোপেগন্দা ভিদিওশিংদা উৎখ্রে। সাউথ-ইষ্ট লন্দনদগী গ্রেস ‘খদিজাহ’ দেয়ের কৌবা জিহাদি নুপী অমগী চহী নৌরিবা ইজা দেয়ের কৌবা বৃটিশ নুপামচা অমা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পুথোকখিবা ভিদিও অমদা উৎখি। ভিদিও অদুদা নুপামচা অদুনা থাজদবশিংবু (কুফারশিংবু) জিহাদিষ্টশিংনা হাৎকনি হায়না লাউথোকখি। সেলি জোন্স কৌবী চাথম, কেন্টতগী অঙাং অনীগী মমা অমা চহী ১০ দা ঙায়রিবা মচানুপা পুদুনা সিরিয়াদা চৎখি অমসুং বৃটিশ জিহাদিষ্ট অমদা লুহোংখি।

চৈরকসিদা, কা হেনবা ৱাখল চেল্লবা মহৈরোয় অমা মহাক্কী লেভ্লেলসকী মহৈ তম্না-তম্না মমান্নবা অমনা সিরিয়াদা লাল য়াওবা চৎপদা মতেং পাংলম্বগীদমক্তা চহী ৭ কী মীয়াৎ পীখ্রে। মশাগী চহী ২০ শুরবা অব্দুলাহি অহন্মদ জমা ফারাহ কৌবা নহা অমনা হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা মাঞ্চেষ্টরদা লৈবা মমাগী ময়ুমদা লৈনা-লৈনা ৱাখল মান্নবা এক্সট্রিমিষ্টশিংগী গ্রুপ অমগী ঈ-পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌখি। সোমালিয়াদগী হৌরকখিবা দেনিস মচা জমা ফারাহ অসি নুর হশন কৌবা মাঞ্চেষ্টরদগী চহী ১৯ গী নহা অমনা সিরিয়াদা চৎপদা মতেং পাংনবা হোৎনরম্বগী মরাল লৈরমখি।

## ‘নোর্থ কোরিয়াগী সবমেরিনদগী থাগৎকদবা মিসাইলশিং ২০১৮ গী মমাঙদা য়াখিরোই’



সিওল, ওগষ্ট ২৯ঃ সবমেরিনদগী থাগৎপা বেলিষ্টিক মিসাইল সিষ্টেম অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা নোর্থ কোরিয়ানা খুমাঙ চাউশিনবা ঙল্লে তৌইগুম্বসুং টেক্নোলোজি অদুবু দিপ্লোই তৌবা য়াবগী মতমদি চহী কয়ামুক ৱাৎখিগনি হায়না য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে। পিয়োংয়াংগী খ্বাইদগী নৌবা চাংয়েংগী মতাংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৈবাক অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবগা চাননা য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্কনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবনি।

জোন্স হোপকিংস য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা য়ু এস-কোরিয়া ইন্সটিট্যুটনা ঙরাং ইন্সটিট্যুট অদুগী কূপ্পা য়েংনবা ৱেবসাইট ৩৮ নোর্থতা হায়খি মদুদি, চায়োল অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী এস এল বি এম চাংয়েং মায় পাকখিবা অসিনা প্রোগ্রাম অদু হান্না পানখিবা চাংদগী হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙল্লে হায়বদু উৎপা মাল্লি। তৌইগুম্বসুং মসিনা খুৎলায় অদু মথং চয়োলদা, মথং থাদা নৎত্রগা মথং চহীদা হেক্তা শিজিন্নবা য়াগদবা মওংদা রেদি ওইরগনি হায়বদি নত্তে হায়না ইন্সটিট্যুট অদুনা হায়খি।

‘নোর্থকী এস এল বি এমগী চাংয়েংগী খোঙজেল অমসুং মেথদ অসিনা মিসাইল অদুবু শিজিন্নবা য়াবা মওংদা ইহান হান্না দিপ্লোই তৌবা য়াগদবদু ঙল্লবদা কুমজা ২০১৮ গী অনীশুবা তঙ্খায়দা তাগনি হায়বা উৎলি।’

নোর্থ ইষ্টর্ন হিথাংফম সিম্পোগী মনাক্তা ঈশিং মনুংদা লৈবা প্রোটোটাইপ অমা ওইরিবা ‘গোরে ক্লাস’ সবমেরিন অমদগী থাগৎখিবা মিসাইল অদু জপানলোমদা কিলোমিটর ৫০০ পাইখি। মদু খুৎলায়গী এনালিষ্টশিংনা নোর্থকী ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক ঙম্বগী মায়কৈদা ময়েক শেংনা থাংজিনবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা ট্রেক তৌখিবা মিসাইলগী ফ্লাইট দিসটেন্স অদু হান্না পাঙথোকখিবা এস এল বি এমগী চাংয়েংশিংদগী য়াম্না হেনখি। মদুনা নোর্থকী টেক্নিকেল প্রোৱেসতা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা প্রোগ্রেস লৈরে হায়বদু উৎলে।

নোর্থকী চাংয়েং অদুগী মতুংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ইরাই নুমিৎথা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মখা তাবা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপগী ৱাফমদা য়ানখি। তৌইগুম্বসুং কাউন্সিলনা লৌখৎকদৌরিবা অকনবা খোঙথাংশিংদু করি করি ওইগদগে হায়বদুগী মতাংদা শুগায়না পনখিদে।

য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিংগী মখাদা নোর্থ কোরিয়াবু বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি অমত্তা শিজিন্নবা য়াহন্দে তৌইগুম্বসুং হৌখিবা জন্যুৱারীদা মরিশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুংদা পিয়োংয়াংনা অতৈ লোঞ্চ কয়াসু মখা তানা পাঙথোকখি।

নোর্থনা চয়োল অসিদা মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌরবসু লৈবাক অসিনা মিসাইলদু পুনবা অনৌবা ক্লাসকী সবমেরিন অমা শাবা য়াওনা মরু ওইবা টেক্নোলোজিগী চেলেঞ্জ কয়া মায়োক্লুরি।

হৌখিবা থাদা ৩৮ নোর্থনা ফোঙদোকখিবা অমদা নোর্থ কোরিয়ানা সিনপো সাউথ সিপয়ার্দতা অনৌবা সবমেরিন শানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎলি হায়খি।

‘অনৌবা সবমেরিন অমা চহী অনী অহুমগী মতম ফাওবগী মনুংদা শাবা ঙমখিবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মখা তাবা চাংয়েংশিং পাঙথোক্তুনা অনৌবা মোদেলশিং শাবা অমসুং চাংয়েংদা লৈরিবা গোৱে-ক্লাস সবমেরিনবু হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবগী ফীভম লৈতে’ হায়না থিঙ্ক টেঙ্ক অদুনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং মসি থাঙ্গৈশেংনা সবমেরিন শাবা হৌখিবগা মরী লৈননা পীবা ইনফোর্মেসননি হায়না ইন্সটিট্যুট অদুনা মখা তাখি।

## লিবিয়ন ফাইটরশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মনাক নক্না চঙশিনখ্রে



সির্টে, ওগষ্ট ২৯ ঃ হৌখিবা নোংমাইজিংদা লিবিয়াগী কোষ্টেল সিটি সির্টেদা লৈবা আই এস আই এস টেররিষ্টশিংগী অরোইবা লোৎফমশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনরুবদা য়ামদ্রবদা লিবিয়ন ফাইটর ৩৪ শিখ্রে অমসুং ১৮০ হেন্না শোকখ্রে হায়না ফিল্ড হোস্পিটাল অমগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১ দগী য়ু এস এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা বেকিং পীবা হৌখ্রবা লিবিয়াগী য়ু এননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টগা মীচং ওইনবা ফোর্সশিংনা থা অহুমগী কেম্পেইন অমদা মিলিটেন্টশিংবু সেন্ট্রেল সির্টেগী অপীকপা মী তাবা এরিয়া অমা তান্না তকথোকখি। চয়োল অমা চূপ্পা তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবা অমুক হৌরকখি।

অয়াম্বনা মিশ্রাটো সিটিদগী ওইবা লিবিয়ন বৃগেদশিংনা মখোয় সির্টেদা মায় পাকপগী ময়া নক্না লৈরে হায়খি। তৌইগুম্বসুং মখোয় সুইসাইদ বোম্মিংশিং, স্নাইপর এটেক অমসুং লেন্দমাইনশিংদগী ঙাকথোক্লবদি ৱানা হোৎনখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা সির্টেগী নৈবরহুদ নম্বর ৱান ফাওরগা নোংপোক্লোমদা মিটর চা কয়া চঙশিনখি। অতৈ ফাইটরশিংনসু লম্বীদা লাল শোক্না-শোক্লনা খা পাংনা চঙশিন্দুনা আই এস আই এসকী পোজিসনশিং খুদুম চনশিনখি।



HL-B/3268/19/08-18/09

# EMPLOYMENT NEWS

## UPSC Recruitment 2016 – 127 Assistant Professor, Assistant Director & Various Vacancies – Last Date 15 September

**UPSC Recruitment**:
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 127 Assistant Professor, Assistant Director & Various Vacancies. Apply Online before 15 September 2016.

Advt. No. : 15/2016

**Job Details :**
Post Name : Assistant Professor Specialist Grade-III
No of Vacancy : 109 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6600/-

Post Name : Assistant Director
No of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**

Educational Qualification :
For Assistant Professor : MBBS degree qualification included in the First Schedule or the Second Schedule or Part-II of the Third Schedule to the Indian Medical Council Act, 1956 with Post Graduate degree in the concerned Speciality or Super-specialty and three years' Teaching experience as Senior Resident or Tutor or Demonstrator or Registrar in the concerned Speciality or Super-speciality in a recognized teaching institution after obtaining the first post graduate degree.
For Assistant Director : Masters degree in any subject from a recognised University or equivalent with three years experience in the field of Handicrafts, Cottage, Industry and Small Scale Industry.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 15.09.2016
For Assistant Professor : 40 years
For Assistant Director : 30 years

Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

Job Location : All India
Selection Process : Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 15.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 15.09.2016
Last Date for Completely Submission of Online Application : 16.09.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/recruitment/advt/2016/Advt_15_16_Emp_ORA.pdf
Apply Online :http://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php

## U.P. Co-operative Institution Service Board – UP Seva Mandal Recruitment 2016 – 188 Manager, Assistant Field Officer & Assistant Branch Ankik Vacancies – Last Date 21 September

**UP Seva Mandal Recruitment 2016:**
U.P Co-operative Institution Service Board invites the application for the Posts of 188 Manager, Assistant Field Officer & Assistant Branch Ankik. Apply Online before 21 September 2016.

Advt. No. : C-12-14/2016

**Job Details :**
Post Name : Manager
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 24550-47965/-

Post Name : Assistant Field Officer
No of Vacancy : 93 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

Post Name : Assistant Branch Ankik
No of Vacancy : 90 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

**Eligibility Criteria for UP Seva Mandal Recruitment :**

Educational Qualification :
For Manager : Graduation in Economics/Statistics/Maths or MBA/PGDM recognized by UGC or AICTE
For Assistant Field Officer & Assistant Branch Ankik : Graduate from a recognized university.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 40 years (As on 01.07.2016)

Age Relaxation :
For PH Candidates : 15 years
Job Location : Lucknow (Uttar Pradesh)

Selection Process : Selection will be based on Written Examination & Personal Interview.

**Application Fee :**
Unreserved (General) : Rs. 500/-
Other Backward Class : Rs. 500/-
Scheduled Caste/ Scheduled Tribe : Rs. 200/-
Physically Handicapped : Rs. 200/-
Candidates should be submitted fee through State Bank of India Collect Only.

**How to Apply for Up Seva Mandal vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.upsevamandal.org from 23.08.2016 to 21.09.2016.

Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 23.08.2016

Last Date For Submission Of Online Application : 21.09.2016
Closing Date for receipt of Application Fee : 23.09.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://forms.upsevamandal.org/Adv1214.pdf
Apply Online : http://forms.upsevamandal.org/onlineapplication.php